
www.sanaleibak.in

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

এন জি কোলেজ ইম্ফালগী একাদমিক সেসন ২০২৫–২৬ কী অহানবা সেমিষ্টরগী মহৈরোইশিংগী ওইবা ষ্টুদেন্টস ইন্দক্সন প্রোগ্রাম কোলেজ অসিগী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখিবদা থৌরম মপু ওইখিবশিং




**গ্বালতাবীদা মণিপুর মুখৎখিবগী ৱাথোক**

জর্নেলিষ্টশিংনা অচুম্বা ৱায়েল ফংফম থোকই, তুমিন্না লৈশিল্লোইদবনি

–অমজু, ই জি এম




রুপমহল বিল্ডিং শঙ্খাখিবগী ৭৮ রক শুবা এনিভর্সরিগা মরী লৈননা ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা রুপ মহলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা সার্টিফিকেট অমদি মেমেন্টো পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

Volume No: 49 Issue: 211 | IMPHAL, TUESDAY, JULY 08, 2025 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৩ | লৈবাকপোকপা, ইঙেনগী ১৩ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 10 | Price: ₹ 5.50

### গ্বালতাবী ৱাথোক– লৈঙাক্কী মায়োক্তা পাউমীশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

# ‘লৈঙাক্না মখা তানা তুমিন্না লৈশিল্লবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি’




ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ সিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী পাউ লৌবা চৎলুবা পাউমীশিংনা তোংবা গাড়ীবু সেন্ত্রেল ফোর্সনা গ্বালতাবী এরিয়াদা খাল্লগা চৎহনখিদবদা নত্তনা গাড়ী অদুদা থারিবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট হায়বা ৱাহৈ অদুদগী মণিপুর মুখৎখিবগী মতাংদা লৈঙাক্না হৌজিক ফাওবা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসিগী মায়োক্তা ঙসি পাউমীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

গ্বালতাবীগী ৱাথোক অসিগী মতাং দা লৈঙাক্না মখা তানা তুমিন্না অদুমক লৈশিল্লবদি মখল মখা কয়াগী অকন্নবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না অমজু অমদি ই জি এমনা ফোঙদোরক্লি।

ই জি এম অমদি অমজুগী লীচিং মখাদা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদগী হৌরগা নুং থিল পুং ১ ফাওবা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা পাউমীশিংনা প্লেকার্দ কয়ামরুমসু শীজিন্নখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা পাউমীশিংনা অমুবা বেদজ থেৎপদা নত্তনা জর্নেলিজম অসি ক্রাইম নত্তে, ঐখোয়গী ইথৌ নীংথিনা তৌহল্লু, প্রেসকী নীংতম্বা পীয়ু, মীয়ামদা মরিক চুম্বা পাউ ফংহল্লু, অচুম্বা লোৎতুনা থম্বা খক ওইথোক্লোই, নখোয়না লন্বী থিংবা ঙল্লবসু অচুম্বদি থিংবা ঙম্লোই হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং ইবা প্লেকার্দ কয়ামরুম শীজিন্নখি।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংলদুনা ই জি এমগী জেনরেল সেক্রেটরী য়ুম্নাম রুপচন্দ্রনা হায়, সেন্ত্রেল ফোর্সনা গ্বালতাবীদা চথখিবা থৌওং অদু খ্বাইদগী লাইবক থীবা থৌওংনি। থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ই জি এম অমদি অমজুনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখ্রবনি। পাউচে ফোঙবা লেপ্পদা নত্তনা লৈঙাক্কী পাউ খুদিংমক মতম শাংনা বোইকোট তৌদুনা লৈরকখিবনি। অদুবু ষ্টেট অসিদা কোভিদ লায়চৎ শন্দোকপগী চাং ৱাংখৎলকপা অমসুং ঈশিং ঈচাও থোকচিল্লকপনা মীয়ামগী ৱাকৎ কয়ামরুম লাকপদগী তঙাইফদনা খোঙজংশিং অদু মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লগা অমুবা বেদজ থেৎপগী খোঙজং মখা তানা চঙশিল্লকখিবনি।

মমাঙথক্তা গভর্ণরগা কয়ারক হুন্না উন্নখ্রবসু ইনক্বারি কম্মিটি শেমদুনা মরাল লৈবশিং পুথোক্লগা চৈরাক পীগনি হায়না থাজবা পীখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোরকপগী মমি অমা ফাওবা তাদ্রি।

গ্বালতাবীগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং নুমিৎ ...মখা লমায় ৭তা...

### বন মহোৎসব সেলেব্রেসন লোইশিনবগী থৌরমদা গভর্ণর শরুক য়াখ্রে

# মণিপুরগী পোম্পী থারম্বা চীংগী লমশিং ৱানা মহুৎ শিন্নবা হোৎনরি: পি সি সি এফ

**কুমজা ২০২১ দা উমংগী লম স্কৱার কিলোমিটর ২৫০ হন্থরম্বদু ২০২৪ দদি স্কৱার কিলোমিটর ৫২ তমক হন্থরে**




ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ ৭৬শুবা বন মহোৎসব সেলেব্রেসন লোইশিনবগী থৌরম ঙসি মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লানা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াদুনা কোনুং মমাঙদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা প্রিন্সিপল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট (পি সি সি এফ) অনুরাগ বাজপাইনা হায়, মণিপুরদা পোম্পী থারম্বা চীংগী লমশিং অসি ৱা পাম্বীশিং থাদুনা মহুৎ শিন্ননবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। পোম্পী থাবা অসিনা উমংগী শরুক চাউনা কোকথোক্তুনা মহৌশাগী খলদা লেপ্তুনা চৈথেং পীরক্লি। অদুবু য়াম্না থুনা হৌবা ঙম্বদা নত্তনা মফম অদুগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোনদসু কান্নবা পীবা ঙম্বা অফবা মখলগী ৱা মচাশিং থাহন্দুনা পোম্পীগী মহুৎ শিনবগী থৌরাং অসি পায়খৎপনি। অখন্নবা থৌরাং অসিগী মনুং চন্না কুমজা ২০২৪ দা হেক্তর ২৪৫ দা ৱা পাম্বী থাখ্রে। লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিদা হান্না পোম্পী থারম্বা লম হেক্তর ৪০০ রোমদা ৱা পাম্বী থাবা ঙমখ্রে। মসিনা খুঞ্জাশিংদা কান্নবা পীবদা নত্তনা অকোয়বগী খল ঙাক্না থম্বদসু চাউনা মতেং পাংলে।

মহাক্না মখা তানা হায়, ফোরেষ্ট সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা কুমজা ২০২৪ দা ফোঙখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না চহী অদুদা মণিপুরদা উমংগী লমগী শরুক অসি স্কৱার কিলোমিটর ৫২ হন্থরকখি। মসি কুমজা ২০২১ দদি স্কৱার কিলোমিটর ২৫০ হন্থরম্বনি। অসুন্না উমংগী লম হন্থবগী চাংদা চাউনা অহোংবা লাক্লিবা অসি মীয়ান্না উমং কনবগী এৱার্নেস হেন্না লৈনরকপদগীনি হায়না লৌই। লমদম অসিদা উমং হন্থরক্লিবা অসিগী খ্বাইদগী চাউবা মরম অসি লম্মৈ চাকপদগীনি। লম্মৈ চাকপা অসিসু মহৌশানা থোরকপা নৎত্রগা মীওইবগী খূৎশেমনা থোকহল্লকপা হায়না খায়দোক্তুনা ...মখা লমায় ৭তা...

### ৱাখলগী চিঙ্গাক

নঙোন্দসু কান্নরোইদৌবা
মীঙোন্দসু কান্নরোইদৌবা
ৱাদি ঙাঙথোক্তবনা হেন্না ফৈ

## য়াশিন্নবা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ উরিপোক্তা লৈবা ইবোতোনসনা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এদমিসনগী মতাংদা লৈরম্বা চয়েৎনবা অদু ঙসি স্কুল ওঠোরিটি অমদি মহৈরোই লূপ এইমসকী লুচিংবশিংগা পুন্না ফম্মীন্নদুনা ৱারোইশিন পুরকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালগী রুমদা স্কুল ...মখা লমায় ৭তা...

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### ওজা নুপানা নুপী মহৈরোইদা বোদি সর্চ তৌরুই হায়বগী ৱাহৌদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ইরাং থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ টিচর এদুকেসনগী থা অসিগী ৪ দা পাঙথোকখিবা সেকেন্দ সেমিষ্টরগী এগজামিনেসনদা ফ্লাইয়িং স্কৱাট ওইনা লাকপা ওজা নুপা খরনা এগজাম থারিবী মহৈরোই নুপীমচা খরদা বোদি সর্চ তৌই হায়বগী ৱাহৌদা ঙসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন ব্লোক্তা মহৈরোইশিং থোমজিল্লক্তুনা ইরাং থোকখ্রে।



থৌদোক থোকফমদগী প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না থা অসিগী ৪ দা এগজাম থারিঙৈ মতমদুদা ওজা নুপা অনীগা নুপী অমগনা ফ্লাইয়িং স্কৱাট ওইনা লাকখি। মদুদা ওজা নুপা অদুনা নুপী মহৈরোই খরদা বোদি সর্স তৌবদগী মহৈরোইশিং অদুনা হৌরক্তুনা ওজাশিং অদুবু খুদক্তা থবক্তগী টর্মিনেট তৌননবা অমদি এগজামিনেসন অদুগী ও সি অমসুং এ ও সিবুনা সস্পেন্দ তৌননবা ৱাকৎলকখিবনি। মহৈরোইশিং অদুনা মুসুদা ৱাকৎলবা মতুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মরী লৈনবা ওঠোরিটিগা ৱারী শান্নখি। মদুদা ঙসি ফাওবদা চপ চাবা ৱাফম অমত্তা খঙহল্লক্তে হায়দুনা মহৈরোইশিং অদুনা এ ব্লোক্তা ভাইস চান্সেল্লর উন্নবা লাকখিবনি। মদুদা ভি সিগী সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংগী নিঙাই শংদান্নবা থোরকপদগী মহৈরোইশিং অদুনা এ ব্লোক মনুংদা অকনবা ইরাং হৌরকখিবনি।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা শিংজমৈ পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা ইরাং অদুবু ...মখা লমায় ৭তা...

### টেক্স অদুমক থীহল্লগা ঈশিংদি পীবিদ্রে, কোর্টতা ৱাকৎনবা শেম শারে: কে ৱাই সি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ ইম্ফালময়োলমক্তদা লৈরিবা নাগামপাল কংজাবী লৈরক্তা জল জিবন মিসনগী ঈশিংগী টেক্স পীরবসু ঈশিংদি পীবিদ্রে। মরম অদুনা কোর্টতা ৱাকৎলগনি হায়না কংজাবী য়ুঠ ক্লব (কে ৱাই সি) কী প্রসিদেন্ট সাপম সুবাকরনা ফোঙদোকখ্রে।

কংজাবী লৈরক্তা লৈবা ক্লব অসিদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবদা সুবাকরনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০২০ দগী জল জিবন মিসনগী মখাদা ললাম্থুং চীং মথক্তা লুপা ক্রোর ২৭৩ লাক্ষ ৯৯ লিশিং ৭৫ চঙনা শাগদবা ওভর হেদ টেঙ্ক অমগী হায়দরবাদতা লৈবা কীষ্টোন ইনফ্রা প্রাইভেট লিমিটেদ কৌবা ফার্ম অমদা কন্ত্রেক্ট পীখি। কুমজা ২০২০ দগী শাবা হৌরগা চহী ২ গী মনুংদা শাবা লোইগদবদু ঙসি ফাওবা লোইশিন্দনা লৈবা মরম্না লৈকাই অসিদা ঈশিং অমত্তা পীদনা লাকপনি। টেঙ্ক অসি শাবা লোইদ্রবসু ঈশিং পীরগনি হায়দুনা কষ্টমরশিং কন্নেক্সন তৌখিবনা মরম ওইরগা টেক্সতি থা খুদিংগী চাং নাইনা থৌরক্লি। কষ্টমর ৩০০ গী মথক্তা ঈশিং ফংদনা থাগী লুপা ২৫০ গী চাংদা থীদুনা লাক্লি।

অসিগুম্বা জেরো মাইলদা লৈরিবা মফম অসিদা তৌরিবা থৌওং অসিনা কুমজা ২০১৯ দগী হৌখিবা জল জিবন মিসনগী মখাদা কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা য়ূমথোঙ খুদিং ঈশিং পীগনি হায়দুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র নরেন্দ্র মোদিনা ৱাশক অমগা লোয়ননা হৌরকখিবা মিসন অসি থাজবা ঙমহন্দ্রে। অথুবদা ললাম্থুংগী ওভর হেদ টেঙ্ক মথৌ তৌহনবিয়ু হায়না গভর্ণরদা অনীরক হায়জখিবা লৈখ্রে। মরী লৈনবশিংদা হায়জরবসু তাবিদ্রবনিনা কোর্টতা রিটি পিটিসন থানবা থৌরাং তৌরে হায়খি।

থৌরম অদুদা কংজাবী য়ুঠ ক্লবকী এদভাইজর থিংনাম রোসননা হায়, কুমজা ২০২০ দগী শাবা হৌরগা কুমজা ২০২২ দা লোইবগী মতম ওইবা ললাম্থুংগী ওভর হেদ শাবগী শেনফম খুদিংমক ...মখা লমায় ৭তা...

### লোইরেদনা




### এম এস এফ: অকনবা ঈহৌ লাক্ত্রিঙৈ গ্বালতাবী থৌদোক্কী ৱায়েল পুথোকউ

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ অকনবা ঈহৌ লাক্ত্রিঙৈ মণিপুর মীয়ামগী ঈহুল খঙ্না গ্বালতবী থৌদোক্কী অচুম্বা ৱায়েল অথুবদা পুথোক্কদবনি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরী অবিজিৎ কৱাবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি (লেটস ষ্টদি ৱেল) হায়বা এম এস এফকী একাদমিক কেম্পেইন অসিগী মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাইরি পঞ্জাও পাল্লুমদা লৈবা পদ্ম রত্না ইংলিশ স্কুলদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরীগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা নাওরেম সনাতোম্বা, পদ্মা রত্না ইংলিশ স্কুল ককচিংগী প্রিন্সিপাল থোকচোম জিতেন অমসুং এম এস এফকী জেনরেল সেক্রেটরী সুন্দর খুমননা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা গ্বালতাবীদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পাউমীশিংদা অয়েৎ–অপন পীরকখিবা অমদি পাউমীশিংনা তোংদুনা চৎখিবা মণিপুর ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্টতা থারিবা মণিপুর ...মখা লমায় ৭তা...

### শেঙ্গাও পায়বশিংনা তৌনিংবতা তৌবদগী মীয়াম খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে: সোতিনকুমার



ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ ইন্দিয়াদা লৈরিবা কোওপরেটশিং প্রাইভেটাইজ ওন্থোক্তুনা শেঙ্গাও পায়বশিং তৌনিংবতা তৌদুনা পোৎ–চৈগী মমল ৱাংখৎহন্দুনা মীচম মীয়াম খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে। মসিগী মথক্তা থবক ফংদবা মীগী মশীং অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলক্লি হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুর (এ আই টি য়ু সি) গী জেনরেল সেক্রেটরী লাইশ্রম সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

এ আই টি য়ু সি, আই এন টি য়ু সি, সি আই টি য়ু, টি য়ু সি সি, য়ু টি য়ু সি অমদি এসোসিয়েসন, ফেদরেসন, য়ুনিয়নগী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরনা শীন্দুনা বি টি রোদতা লৈবা ইরাবত ভবনদা ঙসি পাঙথোকপা পাউজী মীফম অমদা মহাক্না মখা ...মখা লমায় ৭তা...

### নুপী অমনা থাঙনা থিনবদগী লৈখিদ্রবা নুপাগী অশিবা হকচাং লৌখ্রে



**শোক্লিবা মীওই অদুবু ভিডিও নমদুনা ৱাহং পাউহং চত্থখিবশিং ফাগৎকদৌরি**

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থাঙ্গ খুঞ্জাওদা থাঙনা থিনবদগী লৈখিদ্রবা পেলেস কম্পাউন্দদগী মৈতৈ সলাই থিয়ামগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ঙসি রিমসকী মীরেলশঙদগী ইমুং মনুংনা লৌখ্রে। মচানুপা হাৎখিবা থৌদোক্কী চপ চাবা লমমন খুন্থীয়ু, চেন্নবা খুদিংমক শিবগী চৈরাক পীয়ু হায়না মৈতৈ সলাই থিয়ামগী অপোকপী থিয়াম করুনানা মরী লৈনবশিংগী পূক্নীং চিংশিল্লক্লি।

লৈখিদ্রবগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং লৌবা লাকপদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা থিয়াম করুনানা হায়, মহাক্কী মচানুপা মখোয় ময়ান্না শীন্নরগা হাৎখিবনি। মচানুপা ময়ুমদগী পুরগা চৎমিন্নখিবা অমত্তা থাজদে। মহাক্না চৎমিন্নখিবা খুদিংমক কৌরগা ৱাহং পাউহং চত্থবিয়ু। লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবিরগা মীহাৎ অসিদা চেন্নবা খুদিংমক শিবগী চৈরাক পীবিয়ু।

নাকল অমরোমদা, সনা কোনুং মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরী য়ুম্নাম ইবেয়াইমনা হায়, ঙরাংগী থৌদোক অদু মখোয় খরা মান্নরগা নীংথিনা প্লান তৌরগা চত্থখিবা থৌওংনি হায়বা মীয়ান্না খঙই। ঙরাং চৎমিন্নখিবা মখোয় খুদিংমক নুপামচা অসিগা খঙন–চান্নবা ঙাক্তনি। মখোয় খুদিংমক পুলিসতা সরেন্দর তৌরে হায়বা পাউসু ফংলে। হীরম অসিদা মণিপুরগী গভর্ণরনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবিরগা মীহাৎপশিং মরালগী মতুং ইন্না চপ চাবা চৈরাক পীবিয়ু।

অমরোমদা, থাঙনা থিনবদগী চৈনা খাঙলিবা অশোকপা অদুবু লায়েংবা পুনবা হোৎনবগী মহুৎতা ৱাহং–পাউহং চত্থবা, ভিডিও নম্বদগী হৌরগা চেন্নবশিং ফাগৎকদৌরি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কৈবুল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার অমনা হায়, লাইবক থীবা থৌদোক থোকপদগী শোক্তুনা লৈরিবা নুপা অদু মতম চানা হোস্পিটালদা পুখৎপীরল্লবদি হিংলম্বসু য়াবনি। লৈমায়দা ওল্লগা লৈরিবা মীওই অমবু মীনুংশি ...মখা লমায় ৭তা...

### হেক্তা হায়জিনবা

## হো হিদাক

হো হিদাক হো হিদাক
কৌগে নঙবু মহিরেল
হো হিদাক হো হিদাক
চন্নদ লৈতে নহাকসে
পোকপদৈ শিবা ফাও
য়াওদ য়াদ্রে নহাকসে
নহা অহল খাক্তরে
নহাকপু পান্না থক্লরে
হো হিদাক হো হিদাক
থিংলে থিংনা থক্লিংবা
ফংদ কৌবা লৈতবা
শুংবসু অসুম হেনগৎপা
থকপসু অসুম হেনগৎপা
হো হিদাক হো হিদাক
নঙদি এক্সাইজগী থৱায়নি
নঙদি থানাগী শেঙ্গাওনি
নঙদি খূৎকনবশিংগী শেনফুনি
হো হিদাক হো হিদাক
কৌগে নঙবু মহিরেল
হো হিদাক হো হিদাক।

### কোরকোমগী ১৪শুবা মপোক কুমওনগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

# ফুরুপকী লানবন শেমগৎপনা মাঙজবা নত্তনা করিসু পুরক্লোই

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ঃ কোরকোমগী ১৪ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা পব্লিসিটি কম্মিটিনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

লোনা থিংখ্রবা লালহৌলূপশিংগী অপূনবা বোদি কোরকোমগী মেডিয়া কোওর্দিনেটর এম শক–হেনগী খূত্থাংদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মণিপুর (কংলৈপাক) তা খুদামিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপশিংনা ফুরুপ কাঙলূপকী লানবন শেমগৎপদগী নাম্থোকপা চুমগনি। মসিনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মাঙজবা নত্তনা করিসু পুরক্লোই।

কোরকোমগী ১৪ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ অসিদা মণিপুর (কংলৈপাক) অমদি ৱেসিয়া লমদমদা লৈরিবা য়াওল্লুপ অমসুং মীয়াম খুদিংমকপু কোরকোমনা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীরি। ইমা লৈবাক মণিপুর (কংলৈপাক) কী নীংতম য়াওল ঈহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা পুন্নমক্কী মফমদা কোরকোমনা য়াওলগী ইকায়খুম্নবসু উৎলি। লোয়ননা য়েক্লবগী চৈথেং কয়া মায়োক্লদুনা য়াওল ঈহৌ অসিগীদমক লেপ্পীরিবা মীয়াম পুন্নমকপুসু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থেংনরিবা অৱাবা কয়া অদুদসু শরুক য়ারি।

নীংতম্না হিংবা, চাউখৎপা হায়বা অসি মীওইবগী অৱাংবা মচৎনি। খল অসি কায়থরক্লবদি মীওইবা খুন্নাইসু শা–ঙাগা পাঙ্খক ওইরকই। অসিগুম্লবা মীওইবগী লীক্লম অসিগা লোয়ননা খুমাঙ চাউশিন্না হিংলকপনা চীংমী–তম্মী ইরৈচাশিংনা মসিবু মাঙহনবা কৈদৌনুংদা পামখিদে। মরম অসিমক্লা কুমজা ১৯৪৭ তা বৃটিশ লোইলমনা তুখ্রবদা, ইশাগী লৈঙাক লীংদুনা কুমজা ১৯৪৮ দা দেমোক্রেটিক ইলেক্সন মায় পাক্লা পাঙথোকখি। নিংথৌগী লৈঙাক পথাপ থুপখি, মীয়ামগী লৈঙাক লাকখি। মোদর্ন নেসন অমগী চপ চাবা মতীক অদু চেনবা হৌখি। খোঙচৎ অসিদা হিজম ইরাবতনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। ইরাবতনা মীয়াম লৈঙাক্কীদমক লেপ্লম্বা, লাইনিংদা য়ূম্ফম ওইদবা সিভিল সোসাইটি লীংনবা লন্বী পীখি।

সোসিয়েল দেমোক্রেসিগী লৈহাও চেল্লবা ইরমদমদা অনৌবা নীংতম য়েন্নিং চোংখি। বৃটিশ লোইলমগী নুমিৎ তারকপগা ইরোইননা কুমজা ১৯৪৭ কী ওগষ্ট ১৪ দা মণিপুর (কংলৈপাক) গী নীংতম্বা ইন্টরিম লৈঙাক শেমখি। চীংমীগী মায়কৈদগী আর বোব খথিং অমদি টি সি তিয়াংখম মিনিষ্টর ওইনা য়াওখি, এমদি বাসিরুদ্দিন অহমদসু মিনিষ্টর ওইখি।

মতম অদুগী চীং–তম অনীগী অনৌবা মীরোল অদুনা কাঙলূপ নাইবা থাদোক্তুনা মল্টি–ইথনিক সেক্যুলর মণিপুর (কংলৈপাক) কুমজা ১৯৪৭ কী মার্চ ১০ দা মীওই ১৬ না শাবা কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লি অমা লীংখি। এ দাইহো, থাংখোপাও কিপগেন, টি সি তিয়াংখম, তেবা কিলোং অমদি আর সুইসা কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লি অসিদা শরুক য়াখি। চহী অদুগী জুলাই ২৬ তা মণিপুর (কংলৈপাক) গী নিং থৌনা খূৎয়েক পীদুনা ‘দ মণিপুর (কংলৈপাক) কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭’ চৎনবা হৌখি।

লৈঙাক্লোন অসিনা মণিপুর (কংলৈপাক) দা কন্সটিট্যুস্নেল মোনার্চ অমা মথৌ পাঙবা হৌখি। এদুল্ট ফ্রাঞ্চিস অমদি জোইন্ট ইলেক্তোরেটকী খূত্থাংদা কুমজা ১৯৪৮ গী জুন অমদি জুলাইদা মীখল পাঙথোকখি। নেসনেল পার্লিয়ামেন্ট অসিগী অহানবা মীফম কুমজা ১৯৪৮ গী ওক্টোবর ১৮ দা পাঙথোকখি। অহানবা মীফম অসিদা মণিপুর (কংলৈপাক) গী হেদ ওফ দ ষ্টেট ওইরিবা লৈঙাক্লোনগী মখা পোল্লবা নিংথৌনা থমখিবা ‘প্রোক্লেমেসন’ গী ৱারোল অদুদা মণিপুর (কংলৈপাক) গী ৱাখল্লোন অমদি তুংলমচৎ ময়েক শেংনা পল্লি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসিগী মীরোলনা আইদিয়া ওফ মণিপুর (কংলৈপাক) গী মতাং ইখৌ লাংবা ফাওরিবা অসি কুমজা ১৯৪৮ দা নিংথৌনা থমখিবা প্রোক্লেমেসন অদুদা য়াম্নমক ময়েক ...মখা লমায় ৭তা...

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসসকীনা, 9402247588 দা, ঈ–পাউ ওইনা 7005168053 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9856120319 দা পাউ পীবিবা য়াগনি